## সব-জুনিয়র ৱিমেন্স নেসনল হোক্কী চেম্পিয়নশিপ ঙসি হৌরগনি

# মণিপুর অমদি কেরলা হোক্কী অহৌবা মেটচতা থেংনরগনি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা ১২শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওপন্নিং মেটচতা পুল বিগী মণিপুর হোক্কী অমদি কেরলা হোক্কী অনীনা নুংথিল পুং ৫.৩০দা লম্বা তৌনরগনি।

পূন্না টিম ২৫না গ্রুপ ৮ থোক্তুনা শরুক য়াগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরনা পুল বিদা কেরলা অমদি ঝরখন্দগা পূন্না শরুক য়ারি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক মহারাষ্ট্র, তেলঙ্গনা, চান্দিগর অমদি গুজরাটকী টিম ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা পূন্না টিম ১৭ থুংলখ্রে। হান্না ইম্ফাল য়ৌরকখ্রবা টিমশিং অদুদি কেরলা, টামিল নাদু, বিহার, অসাম, পঞ্জাব, ঝরখন্দ, অরুনাচল প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ত্রিপুরা, হরয়ানা, ওড়িষ্যা, উত্তরপ্রদেশ অমদি মিজোরাম টিমনি। মখা তানা জম্মু এন্দ কাশ্মীর, মধ্য প্রদেশ, দেল্লী, উত্তরখন্দ, কর্নাটাকা অমদি হিমাচল প্রদেশ মথং-মথং নোংম-নীনি অসিদা থুংলরগনি।

পুল এদা হরয়ানা, বেঙ্গল অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মীর; পুল সীদা উত্তর প্রদেশ, ছটিশগর অমদি গুজরাট; পুল দিদা ওড়িষ্যা, মধ্য প্রদেশ অমদি উত্তরখন্দ; পুল ঈদা দেল্লী, মহারাষ্ট্র অমদি অসাম; পুল এফতা টামিল নাদু, চান্দিগর অমদি অরুনাচল প্রদেশ; পুল জিদা পঞ্জাব, ত্রিপুরা অমদি হিমাচল প্রদেশ অদুগা পুল ঐচতা বিহার, কর্নাটাকা, মিজোরাম অমদি তেলঙ্গনানা শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা থৌরম মপূ, হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা স্পেসল গেষ্ট অদুগা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী কম্মিস্নর এস এস ছাব্রা অমদি মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট ডা. বাসুদেবনা সেরিমোনি অসিগী হোষ্ট ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

অমরোমদা, চেম্পিয়নশিপ অসিগা মরী লৈননা খুমন লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর হোক্কীগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা ফোঙদোকখিবদা, চেম্পিয়নশিপ অসিবু মায় পাক্না পাঙথোক্লবগীদমক শেম শাবা লোইরে হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট ডা. বাসুদেব অমদি হোক্কী ইন্দিয়াগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।



*চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেটকী নুপীমচা শান্নরোয়শিংদা টিমগী জর্সি খুৎশিন্নবা*

### চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট সব-জুনিয়র হোক্কী টিমবু য়াইফ থৌজাল পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারিবা হোক্কী শান্নরোয় অমদি ওফিসল ১৮বু ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটতা উনদুনা ৱারী-ৱাতায় শানখিবগা লোয়ননা য়াইফ থৌজাল পীখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিনা নেসনল লেভেল টুর্নামেন্ট শীনবা অসি চাওথোকচনিংঙাইনি। টুর্নামেন্ট অসিগী হোষ্ট ওইদুনা ঐখোয়না ভিজিটর টিমশিংবু ইকাই খুম্নবা অমদি ঐখোয়গী স্পোর্টিং স্পিরিট উথোক্তুনা খূদম অমা থম্নবা হোৎনবগা লোয়ননা মায় পাক্লবা শান্নগদবনি হায়খি।

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেটকী নহা ওইরিবী শান্নরোয়শিংদা টিমগী জর্সি খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মীতৈ অমদি অতোপ্পা ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

## উবর কপ ফাইনেল : ইন্দিয়ানা য়ু এস এবু ৪-১দা

# মায়থীবা পীদুনা ক্কার্টর ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখ্রে

বেঙ্কোক, মে ১০ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন ৱিমেন্স বেদমিন্টন টিমনা য়ু এস এবু ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা গেম ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা উবর কপ ফাইনেলগী নোক আউট ষ্টেজ চঙবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ানা ঙসিগী মায়পাকপা অসি থারগা থংন-থংননা অনীরক মায় পাক্তুনা গ্রুপকী টেবলগী অনীশুবা মফমদা লৈদুনা ক্কার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী ওপন্নিং টাইদা কেনাদাবু ৪-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি ভি সিন্ধুনা জেনি গাইবু ২১-১০, ২১-১১দা মায়থীবা পীখি। অদুগা দবলসকী প্যের টনিশা ক্রেষ্টো অমদি ত্রিজা জোলিনা ফ্রান্সেস্কা কোর্বেট অমদি এলিসন লিগী প্যেরবু ২১-১৯ অমদি ২১-১০দা মায়থীবা পীখি। অকাশি কেশবনা এস্থর শিবু ২১-১৮, ২১-১১দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা য়ু এসপু ৩-০দা লীদ তৌখি।



ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা দবলসকী প্যের সিমরন সিঙ্ঘি অমদি রিটিকা থাকেরনা য়ু এস এগী লোরেন লম অমদি কোদি তাং লিগী মখূৎতা ১২-২১, ২১-১৭ অমদি ১৩-২১দা মায়থীদুনা য়ু এস এগী চাওথোকচনিংঙাই ওইখি।

ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী অস্মিতা চালিয়ানা য়ু এসকী নাটালি চিবু ২১-১৮, ২১-১৩দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা য়ু এসপু গেম ৪-১দা থোইদুনা ক্কার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়ন ৱিমেন্স টিমনা কোরিয়াগা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা গ্রুপকী অরোইবা মেটচতা লম্বা তৌনরগনি। পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ন ৱিমেন টিমনা মমাংদা পাঙথোকখিবা উবর কপতা ব্রোঞ্জ মেদল অনী ফংবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ন মেন্স টিমনা মখোয়গী গ্রুপকী টোপ ২দা লৈদুনা হান্ননা নোক আউট ষ্টেজগীদমক ক্কালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট সুব্রোটো

# য়ু-১৭কী সেমীফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা চথরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা ৬১শুবা সুব্রোটো মুখর্জী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী ক্কার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্তুনা সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ময়াং ইম্ফাল, থম্বৌ হায় স্কুল ময়াং ইম্ফাল, কানন দেবী মেমোরিএল স্কুল পাঙ্গৈ অমদি থম্বাল লৈমা হায় স্কুল সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অহানবা সেমীফাইনেলদা থম্বৌ হায় স্কুল অমদি কানন দেবী মেমোরিএল স্কুল থেংনরগনি। অদুগা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি থম্বাল লৈমা হায় স্কুল লম্বা তৌনরগনি। সেমীফাইনেল মেটচশিং য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিলদা শান্নরগনি।

খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অহানবা ক্কার্টর ফাইনেলদা থম্বৌ হায় স্কুলনা লিট্টল মাষ্টর স্কুল সমুরৌবু ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

থম্বৌ হায় স্কুলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লানঙম্বনা শান্নবগী ৮ অমদি ৫০ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা মণিথোইবনা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি। লিট্টল মাষ্টরগী গোল অনী অদুনা রামদাস অমদি ধরনজয়না শান্নবগী ২৮ অমদি ৪৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা মফমদা অয়ূক শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা মালোম মেগা হায় স্কুলবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মোনেক্সনা শান্নবগী ৩৭ অমদি ৬০শুবা মিনটতা সী টি স্কুলগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু চনবা ঙমখি। অদুগা ভারতনা শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা মালোম স্কুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চনবা ঙমখিবনি।

নুংথিল শান্নখিবা অহুমশুবা ক্কার্টরদা কানন দেবী মেমোরিএল স্কুলনা নিলমণি ইংলিশ স্কুলবু লাকচনা ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

কানন দেবীগী গোলশিং অদু এম সেমসন অমদি দল্লিয়ু জেকনা গোল ২/২ অদুগা অরিফ খাননা গোল ১ চনবা ঙমখি। নিলমণি স্কুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কে ঐচ লানঙম্বনা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অরোইবা ক্কার্টর ফাইনেলদা থম্বাল লৈমা হায় স্কুলনা হেল্পিং হেন্দ গ্রুপ একাদেমিবু ১-০দা মায়থীবা পীখি। এল স্বামিনা থম্বাল লৈমগী অমত্তা ঙাইরিবা মায় পাকপগী গোল অদু চনবা ঙমখিবনি।

## ইম্ফাল ইষ্ট শুটিং কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিএসননা শীন্দুনা ১১শুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট শুটিং কম্পিটিসন থা অসিগী ২৩দগী ২৬ ফাওবা খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জ কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

কম্পিটিসন অসিদা এয়র রাইফল অমদি এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অনীদা অথোই-অহেন তান্নগনি।

কম্পিটিসন অসিবু শরুক য়ানিংবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা শুটরশিংনা মখোয়গী এন্ট্রি ফোর্ম থা অসিগী ২০গী অয়ূক পুং ৬তগী ১০ ফাওবগী মনুংদা শুটিং রেঞ্জতা লৈবা ওফিসতা লাক্তুনা এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল কুঞ্জবন্তদা পীশিল্লক্কবা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল দিনাচন্দ্রনা খঙহল্লক্লি।

# ও এফ এ, পান্থোইবী এফ সী সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

পাৎসোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লবনা শীন্দুনা পাৎসোই পার্ট-থ্রী ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা ষ্টেট লেভেল ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেলগী মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা ও এফ এ পুংদোংবম অমদি পান্থোইবী এফ সী পাৎসোই সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্কার্টর ফাইনেলদা ও এফ এ পুংদোংবমনা অপূনবা এফ সী সগোলবন্দবু ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা অপূনবা এফ সীগী কিষননা শান্নবা হৌরকপগী ৭শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা বিনোদ খন্নানা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজ গোল চনশিন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা স্কোর ১-১দা লৈহনখি।

রেবন্তনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা পুংদোংবমগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। সনাথোইনা গোল চনখিবগা মিনট ৪ লৈরগা পুংদোংবমগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা রোবিনসননা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা পুংদোংবমগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা অপূনবা এফ সীবু ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতা পান্থোইবী এফ সী পাৎসোইনা আর এফ সী খন্নাম লৈরকপু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

পান্থোইবী এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সনাতোম্বা, গৌরো অমদি মহেশনা শান্নবগী ২৩, ৪৮ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা চনবা ঙমখি। আর এফ সীগী গোল অনী অদুনা কিষন অমদি নাওবনা চনবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল মেটচশিং থা অসিগী ১২দা শান্নরগনি। অহানবা সেমীফাইনেলদা দ্রেস হাউস এফ সী অমদি রতন এফ সী অনীনা নুংথিল পুং ২দা লম্বা তৌনরগনি। নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ৩দা ও এফ এ পুংদোংবম অমদি পান্থোইবী এফ সী পাৎসোই অনীনা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা থেংনরগনি।

# ভেটরান এথলিট দয়াবতি ওকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

য়াইস্কুল ভলন্টিয়র ওর্গনাইজেসননা ৫৪শুবা ফাউন্দেসন দে সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা হন্দক্তা চেন্নাইদা পাঙথোকখিবা ৪২শুবা নেসনল মাষ্টর চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড ৪ অমদি সিলভর ১ পূন্না মেদল ৫ ফংলকখিবী ৱাঙ্খেৈ চিংঙাখম লৈরক্তগী ৱাংখেম দয়াবতিবু ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৭৫ শুরবী দয়াবতিনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী চহী ৭০ মথক্কী কাঙলূপকী তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা গোল্ড মেদল ৪ অমদি সিলভর মেদল ১ ফংদুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, ৱাংখেম দয়াবতিনা হৌজিক ফাওবদা পাঙথোকখিবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড ১৫, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ৮ পূন্না মেদল ২৮ ফংবা ঙমখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা দয়াবতিদা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। ওকপগী থৌরম অদুদা ৱাই ভি ওগী চীফ এদভাইজর লাইময়ুম ব্রজকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, ৱাই ভি ওগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম ব্রজমণিনা থৌরম মপূ অমদি সোসল ৱর্কর নোংমাইথেম শরতচন্দ্রনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।




থৌরমগী মনুং চন্না দিগনিটরিশিংনা লমদম অদোমগী থেংনরিবা খূদোংচাদবশিং- ঈশিংগী ক্কালিটি চ্যেক তৌনবা, ইরম-খোংলম শেমগৎনবা, য়াইস্কুল মোইরাংখোমদা লৈরিবা মোইরাংখোম হায় স্কুল অমদি শ্যামাশখি স্কুল অনীগী ফীভম ফগৎনবা অমদি ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা লাম্থেংননবগী মরমদা খন্ন-নৈনখি।

মখা তানা ৱাই ভি ওনা কোনবা লমদম অদোমগী চহী ৭৫ শুরবা অহল-লমনদা শজিবু চৈরাওবা খূদোল হায়না মিংথোনবা খূদোলপোৎ অমমম্সু খুৎশিন্নখি।

## ফুটবোল্লরশিং লৌনবা ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

দেল্লী পব্লিক স্কুলনা স্পোন্সর তৌবা স্পোর্টস একাদেমিদা তম্নবা চহী ১০, ১৩, ১৫ অমদি ১৮গী মখাদা লৈরিবা ফুটবোল প্লেয়রশিং লৌনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লগনি।

থা অসিগী ১১দা ৱাংজিং কোদোমপোকপী গ্রাউন্দ, ১২দা দি এস এ বিষ্ণুপুর গ্রাউন্দ অমদি ১৩দা লম্লোং এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না দেল্লী পব্লিক স্কুলগী ষ্টেট কো-ওর্দিনেটর এন জি কদমজিৎনা খঙহল্লক্লি।

# এ আরনা শীন্দুনা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

আইজিএআর (সাউথ)কীলমজিং মখাদা চুড়াচান্দপুর বট্টালিয়ননা শীন্দুনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা এস খুলেন ভিলেজকী নহাশিং অমদি অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগী ওইবা ভোলিবোল মেটচ অমা ঙসি শান্নখ্রে।

পাঙথোকখিবা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অদু লমদম অদোমদা দ্রগ মেনেস থেংননবা খূৎলায় অমা ওইনা স্পোর্টসপু প্রমোট তৌবা ওইনা 'ফাইটিং দ্রগস থ্রু স্পোর্টস' হায়বা থিমগী মখাদা পাঙথোকখিবনি।



ইভেন্ট অদুনা লমদম অদোমগী নহাশিংগী স্পোর্টসকী ফিল্ডদা লৈরিবা টেলেন্টশিং খঙদোকপদা মতেং পাংবদা নৎতনা নহাশিংনা আর্মদ ফোর্সেস রিক্রুটমেন্টকী অচৌবা প্লেটফোর্ম অমসু ওইরি হায়রি।

# লোরহো ফোজেনা জাফৌ মোদেল ভিলেজ প্লেগ্রাউন্দ ইনোগ্যুরেট তৌখ্রে



ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট স্কিম (এম পি এল এ দি এস)গী শেন্থং মখাদা শেমগৎখিবা জাফৌ মোদেল ভিলেজ প্লেগ্রাউন্দ ঙসি লোক সভাগী এম পি লোরহো এস ফোজেনা ইনোগ্যুরেট তৌখ্রে।


প্লেগ্রাউন্দ ইনোগ্যুরেসনগী থৌরমগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম পি লোরহোনা ফোঙদোকখিবদা, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা জাফৌ অমদি মোদি ভিলেজ অনী অসিবু মোদেল ভিলেজ অমমম্ ওইহন্নবা অমদি লমদম অদোমগী নহাশিংদা হ্যুমেন রিসোর্ছ চাউখৎহন্নবা পান্দমদা শেমগৎপনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্না হৌখিবগী খেন্নবশিংবু কাউথোক্তুনা অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা থবক তৌদুনা নুংঙাই য়াইফবা ষ্টেট অমা ওইহনসি হায়খি।

থৌরম অদুদা চান্দেলগী দি সী ময়াংলম্বম রাজকুমার অমদি চান্দেলগী এস দি ও নাওরেম প্রিতমনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং, হান্নগী এ দি সী মেম্বর মংলেম মোন্সাংনা থৌরম মপূ অমদি জাফৌ ভিলেজকী চীফ এন জি মাইপাকঙম মোন্সাংনা চীফ হোষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা দি এল ওশিং, ভিলেজ হেদশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা সী এস ওশিংগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংসু শরুক য়াখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 449**

**Kazic, Bozidar - Vukovic, B.**
**YUG, 1940**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bc4 Nf6 |
| 4.d4 exd4 | 5.O-O Bc5 | 6.e5 d5 |
| 7.exf6 dxc4 | 8.Re1+ Kf8 | 9.Bg5 gxf6 |
| 10.Bh6+ Kg8 | 11.Nc3 Bg4 | 12.Ne4 b6 |
| 13.c3 Ne5 | 14.Nxe5 Bxd1 | 15. ... |

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 448 Ans. :**

53. ...Re3+ Intermediate check
Not 53. ...Rxc8 because of 54. Rxc8
54. Rf3 Rxf3+ Intermediate check
Not 54. ...Rxc8 because of 55. Rxe3
55. Kxf3 Rxc8
53. ...Re3+ 54. Rf3 Rxf3+ 55. Kxf3 Rxc8
0-1

AVIO INTERNATIONAL INSTITUTE
PROFESSIONAL CABIN CREW TRAINING INSTITUTE
AVIO INTERNATIONAL INSTITUTE

• 100% PLACEMENT ASSISTANCE
• GUARANTEE YOUR SUCCESS WITH OUR UNLIMITED SUPPORT
• CUSTOMISED TRAINING
• MOCK INTERVIEW
• PERSONALITY DEVELOPMENT
• SOFT SKILL DEVELOPMENT
• GROOMING ENHANCEMENT
• SWIMMING CLASS

ELIGIBILITY:
AGE:- 18 TO 26 YEARS
EDUCATION:- 12TH PASS

HURRY UP!!! ADMISSION OPEN NOW

OUR TRAINERS ARE EXPERIENCED FIRST CLASS CABIN CREW. OWNING OVER DECADES OF FLYING EXPERIENCE WITH ICONIC AIRLINES:
• JET AIRWAYS
• GULF AIR
• OMAN AIR

TRAINING CENTRE: OMNICRON III, GREATER NOIDA, 201310.
HEAD OFFICE: KWAKEITHEL, THOKCHOM LEIKAI, IMPHAL
BRANCH OFFICE: BISHNUPUR BAZAAR, NEAR MANIPUR STATE CO-OPERATIVE BANK.
BUSINESS HOURS: 10:00A.M - 4:00 P.M (SUNDAY CLOSED)
Email: avio.institute@gmail.com

FOR INQUIRY CALL
7005045375/7005180623/8920285159



Reg: UDYAM-MN-01-0001766
HL-P/1068/11,12

LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS
> IMPHAL BRANCH:- Security/Gunman-2
> SEKMAI, MOIRANG, NAMBOL, THOUBAL, KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2, Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2, 2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre fitting helper-2

L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU, KAKCHING IRUM LAMDONG, SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7613/22/4-20/6

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com